# ঐখোয়গী লমদম অসিদা ঙা য়োক্লিবা মীওইশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা খরা

**ডাঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ**

লমদম অসিদা ঙা য়োক্লিবা মীওইশিং অসি শেল য়াম্না লৈজদবা মীওইশিংনা অয়াম্বনি। মরম অদুনা ঙা য়োকপা মতমদা শেল ফজনা থাদরগা য়োকপা ঙামীগী মশীংসি অসুক্কী মতিক য়ামদে অদুগীসু মথক্তা মতৌ করম্না বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা ঙা য়োক্কদগে হায়বা খঙনা য়োকপা মীওইসু অসুক্কী মতিক য়ামদে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু ঙামী খুদিংমকপু তাকপী তম্বীবগী খুদোংচাবসু ৱাৎলি।

লমদম অসিগী ঙা পুথোকপগী চাংসি অসুক্কী মতিক ৱাৎলি হায়বসি মীপূম অয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। খুদম ওইনা হায়রবদা মপান লমগী ঙাশিং পুশিল্লকপগী চাং অসি অসুক্কী মতিক ৱাংলি। মতাং অসিদা থমজনীংবা ৱাফম অমদি মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙাশিং অসি মতম কুইনা উন হাপ্লগা থম্বা মরম্না চাবদা হাওতবদা নত্তনা হকচাংদা মচি ওইবসু ৱাৎলি অমদি মতম কুইনা থম্বা য়ানবা হীদাক লাংথক কয়া শীজিন্নে হায়বগী খুদোংচাদবা কয়া অমসু লৈখ্রে। তৌইগুম্বসুং তঙাইফদবা কয়া লৈবনা মপান লমদগী ঙা অসুক্কী মতিক য়াম্না পুশিল্লক্লি।

মতাং অসিদা খন্নবা য়াবা ৱাফম অমদি মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙাশিং অসিনা মমল হোংই অদুগা লমদম অসিদা য়োকপা ঙাদি মমল তাঙলিবসি করি মরমগীনো হায়বসিনি। ঙা য়োকপা মতমদা চঙবা অপূনবা শেলগী চাদা ৬০দি ঙাগী মচিঞ্জাক্তা চঙগদৌরিবনি। তৌইগুম্বসুং ঙাগী মচিঞ্জাক অসি মপান লমদগী পুশিল্লকপা মরম্না মমল তাঙই। মরম অদুনা মচিঞ্জাক পুশিল্লকপগী মহুত্তা ঙা ওইনা পুশিল্লকপনা হেন্না কান্নগদ্রা হায়বা ৱাফমসু হংনরকপা য়াই। ঙাগী মচিঞ্জাক অসি লমদম অসিদা শেমজবগী থৌরাং কয়া লৌখৎপদসু মসি শেন্বদা চঙবা মচাকশিং অসি লমদম অসিদা ফংদবা মরম্না মপান লমদগী মচাক লৌরগা শেন্বা তারকই। মরম অদুনা মচিঞ্জাক অসিসু মপান লমদা শেন্নগা পুশিল্লকপনা হেন্না কান্নগনি হায়বগী ৱাফম কয়াসু লাক্লি।

ঙাগী মচিঞ্জাক শেন্বদা ঙা মকুপ হাপ্তুনা প্রোটিনগী চাং ৱাংহল্লি। হায়রিবা ঙা মকুপশিং অসিদি সমুদ্রদা ঙা ফাবা মতমদা য়াওরকপা মীওইবনা চাননবা ওইনা শীজিন্নদবা ঙাশিং অদুদগী শেন্বনি। মরম অদুনা মসিদি ঐখোয়গী লমদম অসিদদি ফংবা খরা ৱানা থোক্লনি। লমদম অসিদা ফংবা পোৎশকশিংদগী ঙাগী মচিঞ্জাক শেন্বগী থৌরাং তৌগে হায়বদি ঙা মচিঞ্জাক শেন্বদা চঙবা পোৎশকশিং মরাং কায়না ফংননবা থৌরাং হান্না তৌবা দরকার ওইরি। খুদম ওইনা হায়রবদা থাওথি মরাং কায়না ফংনবগীদমক হঙ্গাম পাক শন্না থাদুনা থাও শুংবগী থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরি। অসুম্না চুজাক মকুপ মরাং কায়না ফংহন্নবা চুজাক পাক শন্না থাবা অমদি গেহু থাবনচিংবগী থৌরাং কয়া লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরি। মসিদসু নত্তে ঙা য়োকপদা চঙলিবা হীরম খুদিংমক্তা শেল চঙবগী চাং অসি লমদম অসিদা অসুক্কী মতিক ৱাংই। হৌজিক্তি ঙা য়োক্লনবা ঙা মচা লৈবা মতমদসু মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙা মচানা অয়াম্বা লৈনরে। মরম অদুনা লমদম অসিদা ঙা মচা পুথোক্লিবা মীওইশিংদসু নিংহন্নবা কয়া লাক্লনি। লমদম অসিদদি খুৎশুমলসু মপান লমগা চাংদম্নবা মতমদা য়াম্না ৱাংই। লৈঙাক্কী ওইবা খুৎশুমলদুদি লৈঙাক্কী ওইবা লোয়শঙশিংগা মরী লৈনবা থবকশিংগী ওইনা খন্নে। লমদম অসিদা ঙা ফাবা, ঙা পুথোক-পুশিন তৌবা মতমদসু শেল য়াম্না চঙই। ঙা ফারবা মতুংদা য়োন্ননবা হোৎনবদসু অসুক্কী মতিক ৱাই। লল্লোন ইতিক তৌবা মীওই কয়াগী শেন্দোং ওইখিদুনা ঙা য়োক্লিবা মীওই কয়াগী অমাঙবা ওইহৌবসু য়াওদবা নত্তে।

নাকল অমরোমদনা য়োনবা য়ারবা ঙাশিং য়োন্দনা লৈশিল্লকপনা ঙামীশিংদা অচৌবা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। খুদম ওইনা হায়রবদা মতম খরগী মমাঙদা মপান লমদগী পুশিল্লকি-খবা তুংহনবী মচা কয়াদু হৌজিক ফাওবা য়োক্তুনা থম্নরি। হায়রিবা ঙাশিং অসিগী মচিঞ্জাক্তি পীজদবা য়াদবনিনা ঙামীশিংদা অচৌবা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। মরম অদুনা হায়রিবা ঙাশিং অসি ফাদোক্তুনা য়াইথোকপা নৎত্রগা মখল মখা কয়াগী ঙাগী পোত্থোক কয়া শেম শাবগী থৌরাং কয়া লৌখৎলবদি লমদম অসিগী ওইনা অসুক্কী মতিক কান্নগনি। মতাং অসিদসু লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিঞ্জনীংই।

ঙামীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। অদুম ওইনমক লমদম অসিগী ঙাগী অৱাৎপা মেনখৎনবগীদমক ঙামী কয়ানা অসুক্কী মতিক কন্না হোৎনরি অমদি হোৎনখিগনি হায়বগী থাজবসু লৈরি। তৌইগুম্বসুং মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অসিদগী খজিক্তং থৈদোক্তুনা য়েংলবদা লমদম অসিগী মীওই কয়াগী ৱাখল্লোন্দা অহোংবা কয়া লাকপসু থেংনজে। খুদম ওইনা হায়রবদা মতম অমদা লমদম অসিদা লৈরল্লিবা মীওই অয়াম্বনা ঙাবু অসুক্কী মতিক পাম্না চানরম্মী অমদি মরু ওইবা থৌদোক ৱাথোক কয়াদা ঙাগী তঙাইফদবা কয়া লৈরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি ঙা অসি নাথৈদুনা থল্লগা য়েন-ঙানুগুম্বা কয়া চারগা মপূং ফাবা থৌরম ওইনরক্লে। খুদম ওইনা হায়রবদা লমদম অসিগী খ্বাইদগী চাওরবা কুম্মৈ নিংঙোল চাক্কৌবদা য়েন থোংবা চারগা মপূং ফাবা থৌরম অমা ওইনা খন্নরকপা, মসিদসু নত্তনা মঙানি চাক্কৌবা নৎত্রগা মীওই খরা য়াম্না চাগদৌবা থৌরম অমা লৈরবদি মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙা ওইনা থিনরকপা অসিনচিংবনি। হায়রিবা অহোংবা কয়া অসি লাকপগী মরু ওইবা মরম কয়া অমসু লৈরি। মসিগী মরু ওইবা মরমশিং অসিনা মথং অমুক থমজরগে।

ঙামীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি মায়োক্লদুনা অফবা থৌরাং কয়া লৌখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লমদম অসিগী ঙাগী ঙাথোক হেনগৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক শরুক য়ামিন্নরসি। ●

# নোংমদা পোকপা মচানা অনীরক শিবা হৌনবরা! (১)

## (ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়েলহৌমী মীতৈ কম্যুনিটিবু নুংশিবা ঙমদে, বাংলাদেশ, ম্যান্মারদগী তান্থোরকপা রিফ্যুজি কেম্পতা লৈয়ু য়াদবা পোপি থাদুনা শেন্দোং য়াম্না তান্দুনা অফবা মখলগী খৃৎলায় লৈরিবা শেল পায়বা, কুকি এক্সট্রিমিষ্টশিংগী মতেং পাংদুনা লৈরি)

**সৌবাম বিরধজ**

ইন্দিয়াগী ময়োল লমদমদগী থাজিল্লক্লিবা য়ামখ্রবা সিফাইশিংনা মণিপুরগী ওইনা অসিমদি ফরে হায়নগদৌবা, শীংথানগদৌবা অমত্তংদি তৌরম্মু কৈদৌবগে!! হায় কম্মান্দসু অচুম্বা মীৎয়েংনা ৱাখৈবীয়ু, তৌবা য়াবদি য়াম্না লৈখ্রে। (১) সিফাইশিংনা নেসনল হায়ৱে অনীসিদা শৌগ্রী য়ুংবগুম্না য়ুংলগা, নেসনল হায়ৱে অনীসি হাংদোক্লবা হোৎনবা হেন্দোক্লা য়ারবনি। (২) ‘সু’ গী গ্রাউন্দ রুলস নিংথিনা ঙাক্লনবা দিজিগনেটেদ কেম্পতগী হেন্দোক্তনবা, কম্যুনিতি অমনা কম্যুনিতি অমগী য়ুম মৈ থাদনবা, নোংমৈ কাপ্তুনবা ময়োল সিফাইশিংনা হোৎনবীরবদি নহান্না লান অসি লোইরম্লগনি। (৩) ময়োল সিফাইশিংনা চৎন-কাঙলোন চুম্না মথৌ তৌরম্লবদি করিগী মৈরা পায়বী/পোৎফম ফল্লিবীশিংগা মূক্নরুগনি, মনীং তম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়ারমগদৌবনি। (৪) ইন্দিয়াগী সিফাইশিং হনবীখ্রো লাওরিবসি নাকল নাম্মদা মীচং-মীখাই নাইনা চঙলকপগীনি, মসিবু ওইহল্লিবনা ইন্দিয়া লৈঙাকননি। (৫) ওইদবা তোকঙা শন্দোকপদা খ্বাইদগী হৈ-শীংলবা কুকি কম্যুনিতি/কুকি এক্সট্রিমিষ্টশিংনা নমথাক্কী তোকঙা শন্দোক্লিবসি মণিপুরগী গভর্ণরদগী অশেংবা রিপোর্ট লৌরগা অচুম্বা ৱায়েল তৌবীয়ু। (৬) মে ৩, ২০২৩গী অহানবা নুমিত্তা চুড়াচান্দপুর মেদিকেল কোলেজদা নর্স অমসুং ডাক্টর তল্লিবী নুপী মহৈরোয়শিং খরা রেপ তৌখ্রে হায়বগী তোকঙা শন্দোরকপদগী মে ৪, ২০২৩দা নুপী অনীবু মফি য়াওদনা চৎহনখিবগী ভিদিও ফুটেজ অদু থোক্লকখিবনি। ক্রাইম অদুবু থোকহল্লিবশিংনা হৈ শীংলবা মমাঙ নুমিৎকী তোকঙা অদুগী ইভিদেন্স চপ চানা উদ্রিঙৈদা পাঙথোক্লুবা থৌদোকনি। হৌজিক্তি মখোয়শিংদু য়াম্না অহকপা চৈরাক ফংফম থোকপনি। (৭) ইন্দিয়াগী সিফাইশিংনা কুকিশিংগী মীচংদবু লেপত্রবদি নহান্না কুকিশিংনা মখূৎ থাঙ্গৎতুনা লান লোইজরগদৌবনি হায়বা ৱাফম খরা অসি থমজরি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কদি ঐখোয় মৈতৈ ফুরুপনা খূৎ থান্নরোইদৌবনি, হায় কম্মান্দনা অচান-মীরাই নাইবগী থৌদৌ অসি থাদোকপীয়ু হায়না থমজরি।

মীওইবগী থৱায়দগী হেনবা অমত্তা লৈতে, কুকি এক্সট্রিমিষ্টশিংগা মান্নদুনা ঐখোয় মৈতৈশিংগী মমল য়াল্লবা থৱায়শিং মাঙহল্লগুমসি, (হায়ৱে) কন্ননবা ঐখোয়গী থৱায়শিং খরা কথোক্কদৌবা মতম ঙাইদুনা লৈরবনি। ঐখোয়গী ইপাবু পোকপা ইপু, ইপুবু পোক্লম্বা ইধৌ, ইধৌবু পোক্লম্বা ইপুধৌ, ইপুধৌ পুরোল কয়া কয়াশিং ঐখোয়গী নিংথৌ, নিংথৌশিংগী পন্দিটশিংনা চহী লিশীং অনীগী মমাঙদগী মথং মথং ইশিন্দুনা লাক্লিবনি।

মমল য়াল্লবা ‘য়ূমদাবা পুয়া লাইরিক’ হায়না খঙনরিবা অদুগুম্লবা মখল মখাশিং ঐখোয়গী কংলৈপাক্কী সনা কোনুংদা মায়কৈ মায়কৈদগী কারক্লিবা পন্দিটশিংনা পুনশিন্নদুনা ফল্লম্বা মফম সনা কোনুংদা ‘পন্দিট লোয়শঙ’ দা কারক্তুনা মতমদুদগী ৱারী ৱাখোঙ ইশিন্দুনা লাক্লিবনি। পন্দিটশিংনা ইরম্বা তাঙলবা পুয়া লাইরিকশিংগী মনুংদা ঐখোয়গী মৈতৈশিংগী হৌরকফম, কদাইদা খুন্দারম্বা, কদাইদগী লাকপা, কদোম মায়কৈদা চৎখিবা (অসামদা, বর্ম্মাদা, বাংলাদেশকী সিলেটনচিংবা) মফমশিংদা খুন-তাখ্রবা মীতৈশিংগী মমিং, য়ূম্নাক, শাগৈ, য়েক সলাই পূম্নমক মতম মতমদুগী পানখিবা নিংথৌশিংগী দরবারদা কারক্লিবা পন্দিটশিংনা ইশিল্লল্লিবা লাইরিক (অরিবা পুয়া লাইরিক) মখল মখলশিংনি। ঐখোয়গী চৎনবী, লাইনীং-লাইশোন, শান্ন-খোৎনবা, আর্ট অমসুং কলচরনচিংবা পূম্নমক্তা তোঙান তোঙানবা খঙ হৈরবশিংনা মতম কয়াদগী মথং মথং ইশিন্দুনা থল্লকপা লাইরিক মখলশিং (পুয়া লাইরিকশিং) অদুবু মৈ থাদুনা মাঙহনখিবা থৌদোক অদু ‘পুয়া মৈ-থাবা’ হায়না খঙনরিবসিনি। অদুগুম্লবা অরিবা পুয়া লাইরিক খরদি পায়দুনা চৎখি হায়নরিবনি, হায়বগী ৱাহম্থোক্তি (অতিয়াদা পাইদুনা চৎখি/অদুগুম্লবা পুয়া খরদি পায়শিল্লগা চৎখি) হায়না হায়গদৌবা শোয়দনা ওইরমগনি হায়বা পূক্লিং য়াৱাসি থমজরি।

ঙসিগী কলম অসিবু ইজরিবা ঐহাক ইশামক (পুয়া লাইরিক) শিং থিগৎচবা মীশক নৎচদে, লম্বী অদোমদা চৎপা ঙমজদে, অদুমকপু ঐহাক্কী শাগৈগী হৌরকফমদি খরা খজিক্তং থিগৎচরি, মপূং ফাবা ঙমদ্রি। থিজিনজবা খজিক্তং অদুদগী উজরকপা, খঙজরকপা, তাকপীরকপা খরদগী পন্দিটশিংনা লোৎতুনা থমহৌবা ‘পুয়া মৈ-থাবা’ দা য়াওখিদনবা (পন্দিট লোয়শঙ) গী পন্দিটশিংনা সনা কোনুংদগী লোন্না পুরক্লখি। অদুগুম্লবা মমল নাইদ্রবা পুয়া লাইরিকশিং অদুগী তুংগী পোরম নিংথিনা খঙলবা, উরবা পন্দিটশিং খরনা তূমিন্না লোন্না পুথোরকখিবা পুয়া লাইরিকশিংদু মখোয়গী মচা-মশুশিংদা চেকশিন্না শিন্নরল্লিবনি। হৌজিক্তি য়ূম্নাক শাগৈগী মরমদা য়াম্না থিগৎনরক্লে, মশক নাইবশিংগী মরক্তা এক্স সী এম ওক্রম ইবোবী অমসুং এক্স মিনিষ্টর ওক্রম জয়, মখোয় অনীগী পুথাং-পুথাং থিগৎপদা শাগৈ অমত্তা ওইজরবসু মখোয় মখোয়গী পুকোকশিংগী শম্নফম খঙদ্রি হায়না ঐখোয়গী শাগৈগী মরমদা থিজিল্লুবদা মখোয়শিংদুগী ৱারী ৱাখোঙ লীবিরকখি। মরমদি ঐখোয়গী ইপা-ইপুগী মথক-মথক্কী ইপুশিংগী পুরোল ১০ য়ৌনা ঐখোয়দা লীবিরমদবনা অয়াম্বনি (পুয়া মৈ থারমদ্রবদি), পুয়া ময়াম ফাক্কৎপদা, ঐখোয় ঐখোয়গী ইপু ইবেনশিংগী (লোইনবা-লোইনবী/য়ূম পানমিন্নরিবা) অনীমক্কী অশেংবা/অচুম্বা মিংলেনশিং অশেংবদু লোইনমক, নাম্মফাওবা লান্নদনা অশেংবদু থেংনগদৌবনি। মরমশিং অসিদগী ঐখোয়গী শাগৈগী চফু কাইনবা/কাইনদবা হায়না লাকখ্রিবনি। ওক্রম শাগৈগী য়ূমদাবা পুয়া ফোঙখ্রে, ওইনাম শাগৈগী (এক্স মিনিষ্টর ওনাম লুখোইনা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা) শাগৈ অসিগীসু য়ূমদাবা পুয়া ফোঙখ্রে ।নম্বোলদগী ভোট কারক্তুনা মিনিষ্টর ওইরম্লবা কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্টসু ওইরমখিবা নামৈরাকপম লোকেননা (মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা) নামৈরাকপম শাগৈগী য়ূমদাবা পুয়া ফোঙখ্রে। অসুম্না য়ূমদাবা পুয়া লাইরিকশিং ফোঙখ্রবা তোঙান তোঙানবা শাগৈশিংগী য়ূম্নাক কয়াগী লাইরিক পুথোরক্লগা ঐখোয়দা য়েংহল্লকপনি। চহী অহুমলোম হেনখ্রবনা মরু ওইবা মীশক খরগী নত্তনা কাউথোকখ্রে। হুইয়েন লানপাউগী পব্লিশর নিল্লধজ/ইনাওবীগা কলম অসিবু ইজরিবা ঐহাক্না য়ূম্নাক মান্নজরবসু ‘ফু’ তিন্নদবনা চফু কাইনদে। অপূনবা সৌবাম শাগৈগী লূপলেন (অসোসাল) অমসুং য়ুনাইটেদ সৌবাম শেমদুনা সৌবাম ইরিখোম্বা (৯৮) পাবুংনা (লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট) ওইদুনা পাবুংগী মখাদা ঐখোয় ময়াম্না চেন চোংজরিবনি। শাগৈ অসিগী য়ূমদাবা পুয়া (কাঙলূপ খরগী) হান্নদগী ফোঙলম্লে, মণিপুর অপূনবগী সৌবাম শাগৈগী য়ূমদাবা পুয়া ফোঙননবা হোৎনরিবনি। মালেম পূম্নমক্কী ওইবা কোভিদ-১৯না চহী ২/৩গী মতম মাঙহনখ্রে, ঐখোয় শাগৈচাশিং পুনশিন্নবা ঙমখিদ্রে। হৌজিক অমুক কুকি-মীতৈ অনীগী মরক্তা থোক্লিবা মতৌসিনা চেন চোংবদা তপথগদৌরিবনি। ●

# কুকিশিংনা খৃষ্টিয়ান ওইরুবগী মণিপুরদা চর্চ মৈ চাকপনি - (২)

**- নোংজুম্বা নোংশুম -**

ৱারেং অসি ইজরিবা মরু ওইবা মরমদি মৈতৈ ঐখোয় য়ূম মৈ থাবদা মী অমগী য়ূম মৈ থাবদৌনা খনবা অদুগা চর্চ অমা মৈ থাবদনা লাইনীং অমগী মায়োক্তা থবক তৌবদৌনা উরকপগা লোয়ননা খৃষ্টিয়ান চৎপা মালেমগী মীয়াম্না মৈতৈ ঐখোয়বু খানা য়েংলকপা অসি তশেংনা নুংঙাইজদে। মৈতৈগী য়ূম হায়বসি তাইবঙ মপুগী হকচাং কয়াৎতু য়ূম্ফম ওইদুনা শাবনি। অদুনা লাইয়াম অমগী য়ূমনি লাইশঙনি মৈতৈগী য়ূম। য়ূম্ফম থোনবদগী হৌনা অফবা থবান্দা ইঙ্খোল কয়াৎ য়েংদুনা য়ূম্ফম থোন্নে। অদুগা পোৎ চৈ লৈবা হৌবা, শঙ্গাবা পূম্নমক অফবা নুমিৎ অমদা পাঙথোক্লে।

ঙসি মৈ চাকপদা য়াওখিবা চর্চ অয়াম্বা কানি থাববু শৌগৎপা মালেম মীয়াম্বু মাঙহন্নবা থোক্লকপা শাজিন্নবা প্রভু যিশুগী মনাইশিংগী চর্চনি। সেরৌগী য়ূম মৈ থাগদবা চর্চকী মনুংদা ৱারেপ লৌই। ঙসি মণিপুর থুগাইনবা হোৎনরিবা পূম্বা চর্চকী মনুংদা লৌবা ৱারেপ ঙাক্তনি। ঙসিদি মণিপুরগী চর্চ অয়াম্বা পোলিটিকেলাইজ তৌরে, লাইনীংগী অচুম্বা ৱাপাউগী মহুত্তা কুকি নাগা হাৎনবগী ৱারেপকী ৱাপাংসু চর্চনি, মৈতৈ কুকি হাৎনরিবা অসিসু মখোয়গী লুচিংবাগিংনা লৌরকপা ৱারেপ অদু চর্চতা শন্দোক্লা তাকই। ঐখোয়গী খুন থংনবদা লৈরিবা খামেনলোক খুঞ্জা অয়াম্বা চুড়াচান্দপুরদা য়ূম্ফম অমমম অয়াম্বনা লৌরম্মী, লান অসিগী মমাঙদা মরূ কোক্তুনা খুন অমদগী মখোয় অহুম ৱাশক লৌদুনা মৈতৈগী মায়োক্তা লান হৌনবগী চুড়াচান্দপুরদা লৌখিবা ৱারেপ অদু চিনবুং ৱারী ওইনা কুকিশিংনা দুকান্দা, হোটেলদা, য়ু থকফমদা ফাগি ওইনা তৌরম্মী, হায়রম্মী হায়না হৌজিক খক্তা শিংলকপা মৈতৈ ঐখোয়না তারি। হাপ্তাগী চর্চতা মৈতৈ ফত্তেদা হায়রিবা লৈরমদবা কুকিলেন্দ অমা লৈরম্মী হায়জিনবা, অচৌবা কুকিলেন্দ অমা শেমগদবনি হায়জিনবা, মণিপুর কুকিশিংগী লেন্দ ওইরম্মী হায়জিনবা, পূম্নমক অসি মখোয়গী লুচিংবশিংগী ৱাখল্লোন অসি মখা তানা চর্চতা খন্ন-নৈনদুনা চমজরবা মীয়াম্বু হুমদুনা পুই। এন আর সী চৎনরকপা মতমদা মণিপুরদা লৈবা য়াররোইদবা, ম্যান্মারদগী নৌনা চঙলকপা পাইতে, হাওকিপ, দোঙ্গেল, কিপজেননচিংবা শাগৈশিংনা মণিপুরদা খরা হান্না লৈজরক্লবা খোংজাই হায়না খঙনবা অরিবা কুকি কাঙলূপশিংদা অৱাবা তাহল্লরে। মখোয়না তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন অমদগী হেন্না মনীংতম্বা কন্ত্রি অমা শেম্নবগী ওইরোইদবা মঙজাও অমনা কুকিশিংবু অৱাবা তাহল্লরি। মতম খরগী মতুংদা কুকি শাগৎলিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা য়ান্নদবা লান থোক্লকপা য়াই।

ঐখোয়না চাওথোকচরিবা অসি মীওক মীচান ফবা, মীনুংশি চাওবা অসিদনি, অদুগা ঐখোয়না ঙসি ৱাজরিবা অসিসু মীনুংশি থৌজাল হৈরুবা অদুগীনি। মৈতৈনা ফৎত্রগদি ঙসি তম্পাক্তা তারিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং অসি তাবা ঙমখিদ্রা? মালেমগী মফম খুদিংদা চাওখৎলে হায়রিবা অমেরিকা ফাওবা হৌজিকসু কাঙলূপ ফুরুপ খায়বগী ৱারী তারি। মৈতৈমুক পুকচেল চাওবা, মীনুংশি থৌজাল হৈবা লৈরোই, অতোপ্পগী ধর্ম্মবু থাক ৱাংনা খনবা ফুরুপ মালেমদা লৈরোই। ধর্ম্ম খুদিংগী লাইশঙ ইম্ফাল ময়োলদা ফংগনি।

অদুনা অরানবা ৱারেপ শৌগৎপা চর্চশিংদি প্রভু যিশুনা লৈনীংদরে হায়না মৈ থানবগী থৌনাদো মীয়ামদা হাপ্পীদুনা মৈ থাহনবা ওইরমগনি। মীগী ময়ূমদা শৈদাংলগা মীগী য়ূম মুনগে হায়বা ফুরুপ নৎত্রগা কাঙলূপ অদু খৃষ্টিয়ানশিংনা তান্থোকপীরো নৎত্রবদি মালেমদা মচিন থিবা ফুরুপ অমনা লাইনীং অসি চৎহল্লুবগী, মীগী লাইনীং লাইশোনগী লাইশঙ, লাইশঙ ওইরিবা মৈতৈগী য়ূম মৈ থাদুনা ৱাখল য়াওদবগী মতৌ অসিনা লমন খুম্লকপদা প্রভু যিশুবু ইকায়বা পীবা ওইনা থোক্লরে। মসি মাবু নীংবা মীফত্তশিং অদুগী মরালনি। মরমদি মৈতৈশিংনা নাগাশিংগী নীংজরিবা চর্চশিংদি কৈদৌঙৈদা মৈ থাদ্রি। মসি ধর্ম্মগী লান নত্তে “হুইনাও মচা চাওনবা য়োক্লগা লৈতোন লেকই” হায়বা পাউরৌ অদুবু চুমহনবীরিবা কুকিশিং, নাগাগী খূৎতগী ঐখোয় পূন্না হিংমিন্নগদবনি হায়দুনা মখোয়বু কনবীরগা চাওহল্লগা লৈতোন লেক্লিবা কুকিশিংগী মথক্তা চখবা লাননি। ●

# শক্তি অমত্তনা মণিপুর কাইহনবা য়াদে - (২)

## (ইথনিক ফুরুপশিং থোং মান্ননা চাওখৎমিন্নবগী পোরম য়াৎমিন্নগদবনি)

১৭শুবা অমদি ১৮শুবা চহীচাদা মালেম্না য়ানরবা মপূং ফারবা মোর্দন মণিপুর ষ্টেটকী কায়বা য়াদবা ফীভম তাক্লিবা মালেমগী থাক্কী থৌদোক পূম্নমক্লা খঙমিন্নগদবা লৈরিবদি দি ভেরেলট ত্রিতি (সেপ্টেম্বর ১৪, ১৭৬২) বৃটিশকা মণিপুরগা লৈনগদবা মরী তাকপা, (২) দ ত্রিতি ওফ য়ান্দাবু (ফেব্রুৱারী ২৮, ১৮২৬)- বৃটিশ পাৱর অমদি বর্ম্মাগী নিংথৌনা মণিপুর লৈবাক অমদি মসিগী ঙমখৈ মশক খঙবা, (৩) দ সেকেন্দ এঙলো-মণিপুরী ত্রিতি (এপ্রিল ১৮, ১৮৩৩) - জিরি মরীল অমদি বরাক তুরেলগী নোংচুপ থংবা অকোনবা পরিংনা মণিপুর বাউন্দরি লেপ্পা, (৪০) কবো ভেল্লি এগ্রিমেন্ট (জন্যুৱারী ২৫, ১৮৩৪) - কবো ভেল্লি শিজিন্নবগী বর্ম্মানা মণিপুরদা থা থাগী লুপা ৫০০ থিবা য়ানবা, (৫) দ বরাক রিভর এগ্রিমেন্ট (ওগষ্ট ১৮৭৪) - বৃটিশ মণিপুর রিলেসন্স অমদি মসিগী মথক্তা ‘দ মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট, ১৯৪৭ (আর্টিকল ২ অমদি ৩শুবা), ‘দ মণিপুর ষ্টেট হিল রেগ্যুলেসন এক্ট, ১৯৪৭’, ‘দ মণিপুর চীফ কোর্ট এক্ট, ১৯৪৭’, ‘দ ফর্ষ্ট সেদ্যুল ওফ দ কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়া’ অমসুং ‘দ মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট, ১৯৪৯ (মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া পার্টি অনীসিগী চেরোল) পূম্নমক্লা মণিপুরগী শোকপা য়াদবা ঙমখৈ তাক্তুনা লৈরিবনি। মণিপুর এসেমব্লিগী অয়াবা য়াওদনা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়ননবা হোৎনরক্লবদি কুমজা ১৯৪৯গী ‘মণিপুর মর্জর এগ্রীমেন্ট’ থুগাইরে হায়না মশানা তাবনা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর তোঙান তোঙান্না খাইদোক্লুবা তারকপনি। হৌজিক চথরিবা মণিপুর ষ্টেট অমদি কুকি আর্মদ মিলিটেন্টস অনীগী মরক্কী মুক্নবা অসিগী ৱারোইশিন লাকপদা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা খন্নবগী থাক ফাওবা য়ৌরক্কদবা লৈবা ওইরবদি অহানবদা পার্লিয়ামেন্টনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩শুবা অমদি আর্টিকল ৩৭১ (সি) দা হান্না হাপচিনগদবদি ‘প্রোভাইদে ফরদর দেট নো বিল প্রোভাইদিং ফোর ইনক্রিজিং ওর দিমিনিসিং দ এরিয়া ওফ দ ষ্টেট ওফ মণিপুর ওর বাউন্দরি ওফ দে ষ্টে সেল বি ইনত্রোদ্যুসদ্ ইন পার্লিয়ামেন্ট ৱিদাউট দ কনসেপ্ট ওফ দ লেজিসলেচর ওফ দেতষ্টেত” হায়বসিনি।

হৌজিক চথরিবা মণিপুর ষ্টেট অমদি মসিগী মথক্তা খূৎলায় পায়দুনা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসনগী চৎন-কাঙলোন থুগাইদুনা মচেৎ তাবগী লান হৌরিবা মীচম মীয়াম মরু ওইনা মীতৈ ফুরুপ্পু নমথনবা হোৎনরিবা কুকি খূৎলায় পায়বা খূৎপুশিং অনীগী মূক্নবা অসিগী হৌরকফম পূম্নমক্লা খঙনরবা খরদি (১) হিটলরগী ‘মৈইন কেম্প’ পারুরগা ‘লেবেনশ্রম’ (লম পাকথোকপগী থৌশিল) গী ৱাখল্লোন্দা য়ূম্ফম ওইদুনা ঙরাংতা মীরমদগী লাক্লগা মণিপুরগী মচেৎ নৎত্রগা মপূম লৌশিল্লগা কুকিলেন্দ/জালেঙগম/জো-লমদম শেম্নবা খূৎলায় পায়দুনা ঈহৌ হৌরকখিবা, (২) কুমজা ২০০৮দা য়ু পি এফ অমদি কে এন ওগী মখাদা লৈবা কুকি খূৎলায় পায়বা কাঙবুশিংনা ইন্দিয়া লৈঙাক, মণিপুর লৈঙাক্লা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন চৎনরবা মতুংদা য়ান্ন-কাঙলোনশিং থুগাইদুনা মী ফাদুনা শেল খায়বা, হায়ৱেদা থত্তুনা মীফা মীপূন চথবা, লুট তৌবা কয়া চথুদুনা লাকখিবা, (৩) সু লৈবগী মীংদা বর্ম্মা বোর্দরদা লৈবা ঈ-তিন্নবা চিন খুঞ্জাশিং লেপ্পা লৈতনা মণিপুরগী ঙমখৈ মনুংদা পুশিল্লক্তুনা ষ্টেটকী প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট অমদি রিজার্ভ পোরেষ্টশিং কোকথোক্তুনা খুন্দাহনবা, লাক্কদৌরিবা দিলিমিটেসন মমাঙদা ভোটরশিং ওম্থোক্তুনা এসেমব্লি সিট হেন্না ফংনবা হোৎনবা, (৪) প্রোটেক্টেদ অমদি রিজার্ভ ফোরেষ্টশিং পাক্তক্লনা মাঙ তাকহন্দুনা পোপী পান্বী কয়া খুঞ্জাশিংদা থাহন্দুনা দ্রগকী অচৌবা করবারশিং তৌরকপা অনীশুবা গোল্ডন ত্রাইএঙ্গল মণিপুরগী চীংলমদা শেমগৎলকপা, (৫) দ্রগ অমদি নোংমৈ-বোমগী করবার তৌদুনা অচৌবা খূৎলায়গী শক্তি শেমগৎলকপা, (৬) শেল অমদি খূৎলায় মতিক চানা লৈরে খন্দুনা মখোয়না নৌনা খুন্দাশিনবা খুঙ্গং মচা ১০০০গী মথক্কী মফমশিং পোলিটিকেল বাউন্দরি ওম্থোক্তুনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তান্নবা হোৎনরকপা (৬) মসিবু অচুম্বনি হায়বা কুকিগী সুদো একাদেমিক অমদি ইন্টেলেকচুএল কয়ানা মণিপুরগী হিষ্ট্রিবু শেমদোক শাদোক্তুনা লাইরিক কয়া ইশিল্লকপা। কয়াম ঙম্বগে, ওইদবা তৌবগে হায়ববু কুমজা ১৯১৭তগী ১৯১৯ ফাওবা মৈতৈ মচা চিংঙাখম সনাজাওবনা লুচিংবীদুনা বৃটিশ লৈঙাক্লা মণিপুরদগী অহানবা লাঞ্জাওগী লান্মীশিংগী কুলি ২০০০ ফ্রান্সতা থানবা ওর্দর থোকপদা খোংজাইশিং য়াওদনবা ঈহৌ হৌখিবদুবু কুকি নীংতম্বগী লাননি হায়জিনবা ঙল্লিবনি। কুলিগী থাক্তা লৈরম্বা কুকিশিংনা ঙসিদি কোভিদ-১৯গুম শন্দোরক্তুনা মণিপুর মূখৎনবা হোৎনরকখি। অইবা আর কে রাজেন্দ্রোনদি কুলি ওইনা থাবিদনবা ঈহৌদুনা ঙসি কুকি নিংতম্বগী লাননি হায়জিনবসিদি চা কপ্তা মনিল কাবদু নোংলৈ নুংশিংনি হায়বগুম্বনি হায়রম্মী। (৭) কুমজা ১৯৫০দগী ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মেমোরেন্দম ইবা হৌদুনা কুকি ষ্টেট অমা শেম্নবা হায়খিবদুদগী মেমোরেন্দম কয়া মথং মথং ইদুনা কুকি হিষ্ট্রি ওফ মেমোরেন্দম, হিষ্ট্রি অমা ওন্নবা হোৎনরকপা (৮) অরোইবদা চিন-কুকি-মিজো-জোগী লৈবাক জো-লৈবাক মিজোরাম য়াওনা মণিপুর, বর্ম্মা, বাংলাদেশকী মচেৎশিং থুগাইরগা শেম্বগী মঙলাক্লগদবা মঙলান মঙবসিনি। অদুবু হন্দক মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট এরিয়া অমদি রিজার্ভ ফোরেষ্টশিংদা লম খোপচিনবশিং তকখায়রকপা, ৱার ওন দ্রগসকী খোঙজং চঙশিল্লকপা, নেসনল রেজিষ্ট্রার ওফ সিটিজেনশিপ চৎনরক্লুবা হোৎনরকপা, পোপি থাবা য়ারক্তবা কয়াশিং অসিনা মখোয়গী মঙদা অচৌবা শাফু পীরক্কদবা ওইবদগী মণিপুর থুগাইনবগী লালহৌ অসি চঙশিল্লকপনি। মণিপুর ষ্টেটসিগী মনুংদা লৈরিবা মীয়াম মপূং ওইনা মীতৈ ফুরুপ্পা লালহৌ অসিবু থেংনরিবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তাবীদ্রবসু মণিপুরগী টেরিটোরিএল মল্টি ইথনিক আইদেন্টিটি অমদি ইন্টিগ্রিটিদি কায়বা য়ারোই। ‘য়ুটি পোসাইদেটি জুরিস’ কী চৎন কাঙলোন থুগাইদুনা মণিপুর কায়নবা থৌশিল লৌখৎলোইদবনি। মীয়াম্না তাল্লিবা দাবীশিং ‘মণিপুরদা তোখাইবা এদমিনিষ্ট্রেসন লৈবা য়ারোই’ অমদি ‘নার্কো টেররিষ্টশিং মরূ ফংনা মূথৎকদবনি’ হায়বশিংদা ফিরেপ লৌদুনা তংদু লৈতাবা মণিপুর অমগী ফিভমদা হঞ্জিল্লক্লুবা হোৎনগদবনি। হৌজিক থেংনরিবা লাম্থেং অসি মণিপুর অপূনবগী শক্তম ঙাক্লুবা, খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী মান্নবা থোঙদা চাওখৎনবা লম্বীদা চঙশিনমিন্ননবা থৌদোকনি লৌমিন্নরসি।



“চা” গী মশক (আইদেন্টিটি) তাকপদা ‘চা-মহিগা’, মসিদা য়াওরিবা ‘কপ’ কা খাইদোক্লবা য়াদে। কপ (পাত্র) গী অকোইবা মপাল মণিপুরগী কোইশিল্লিবা চীংশাং পরেংশিংনি, য়াওরিবা চা-মহিগী ঈমাইনা তম্পাকনি। মসিনা চীং-তমগী খাইদোক্লবা য়াদ্রবা মণিপুরগী শক্তম তাক্লিবনি। কনানা কপকী মখোক (হেন্দল) পায়দুনা কপ অসিবু নিক্লি খঙগদবনি”

-এস ভুবোল

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।